# ওস্ট্রেলিয়ানা ওক্টোবর ১৮দগী নভেম্বর ১৫ ফাওবা ৱর্ল্ড টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লুবগী থাজবা থম্লি

মেলবোর্ন, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী): চহীসিগী ওক্টোবর ১৮দগী হৌরগা নভেম্বর ১৫ ফাওবা ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সী সী ৱর্ল্ড টি-২০ কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরল্লিবা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবসু য়ৈথোক্তনা মায় পাক্লা পাঙথোকপা য়ানা লৈ হায়বগী থাজবা থমখ্রে।






লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোবিদ-১৯না মীওই ৫,৬৮৭ নাহনখ্রে। মদুগী মনুংদা শুপ্নগী মীওই ৩৪খক শীরি অদুগা ফহনখিবগী মশিংনা মীওই ২,৩১৫নি। ওস্ট্রেলিয়াগী স্পোর্টস কেলেন্দরদা ফুটবোল লীগ অমসুং নেসনল রগবি লীগ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রবনি। হায়রিবা লীগ অসি নৌহৌননা মতম লেপ্লকপদা টি-২০ ৱর্ল্ড কপকা ফাংজিন্নগদৌরি।

ৱর্ল্ড কপ টি-২০ ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার ওইরিবা নিক হোক্লিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা টি-২০ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ অসি চহী ১০ নত্রগা ২০গী মতুংদা লাক্কদবা মরম্না ওক্টোবর অমদি নভেম্বর থাদা শুংশোই শোইদনা পাঙথোক্লুবা হোৎনগনি হায়রি।

মীয়াম্মা ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ পাম্লনা য়েংনবা টুর্নামেন্ট অমনি। অদুগীসু মথক্তা ক্রিকেট মশান্না অসি ওস্ট্রেলিয়াগী নেসনল স্পোর্টস ওইরিবনি। চহীসিগী মার্চ ৮দা ওস্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্লা য়ুম্বু ওইদুনা ৱিমেন্ট টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীদুনা মখোয়না মমাঙগী এদিসনদা লৌখিবা টাইটল অদু দিফেন তৌখি।

মালেমগী ক্রিকেট মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা লুপ ওইরিবা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)গী মায়কৈদগীসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না শীল্লিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি মতম য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈতে। হান্না লেপ্লখিবা মতম অদুগী অহোংবা লৈত্রি।

কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা হৌজিক হৌজিক শন্দোক্লিবা চাংচৎ অসি লাক্লিবা থা খরা অসিদা হন্থরক্কনি লোয়নন্না লাকশিনবা ঙম্বগী তাঞ্জা অদু য়ৌরকপা য়াই হায়না মীয়াম্মা কন্না থাজনরি।

মরক অসিদা ওস্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট কোচ জষ্টিন লেঙ্গরনা ফোঙদোকখিবদা ভাবোক য়াওদনা শান্নবা য়াবগী মায়কৈ অদুসু পুথোকখি। নীংশিংবা য়াই, মমাঙ থাগী ১৩দা সিদনি ক্রিকেট গাউন্দদা ওস্ট্রেলিয়না ন্যু জিলেন্দগা অহানবা ৱান দে সেরিজগী মেচ অদু ভাবোক অমত্তা য়াওদনা শান্নবা লোইশিনখি। অদুবু মখা তারকপা মেচ অনীদি য়ৈথোকখিবগা লোয়নন্না মখোয়না অমুক ন্যু জিলেন্দদা চৎতুনা শান্নবগী টুর অদুসু য়ৈথোকখি।

# ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২৭ এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন এসিয়ন কপ য়ুম্বু ওইননবা বিদ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী): এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা কন্টিনেন্ট অসিদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২৭তা য়ুম্বু ওইননবা বিদ দোক্যুমেন্টশিং থাগৎখ্রে।



করিগুম্বা ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসি য়ুম্বু ওইবগী অয়াবা ফংলবদি লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা য়ুম্বু ওইবা ফংগদৌরিবনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখ্রে।

কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা এ এফ সীনা কুমজা ২০২৭কী এসিয়ন কপ য়ুম্বু ওইনিংবগী বিদ দোক্যুমেন্টশিং পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ অদুগী মতম চহীসিগী মার্চ ৩১দগী থা ৩ চোন্থরগা জুন ৩০ ফাওবা ওইখি।

কুমজা ২০১৯দা য়ুনাইদেট আরব ইমিরেটনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ৪/৪ লৈরগা শান্নখিবা এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ২৪না শরুক য়াখি। এ এফ সীনা য়ুম্বু ওইগদবা লৈবাক অদু লাউথোক্লুবগী মতম শাংনা লৌরোইদৌরি। মরমদি য়ুম্বু লৈবাক ওইগদৌরিবা অদুনা টুর্নামেন্ট অদু শীন লাংবদা হেন্না খুদোংচাননবনি হায়রি।

এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা কুমজা ২০২৭কী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী য়ুম্বু লাউথোকপা অদু মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা ওইরগনি। মীয়ামদা হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি য়ুম্বু ওইনিংবগীদমক লাউথোকখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়া য়াওরি।

পনবা য়াই, সাউদি অরাবিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রে। অদুবু টুর্নামেন্ট অসিগী হৌরকপদগীনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়ুম্বু অমুক্তা ওইবা ঙমদ্রি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০২৩দা পাঙথোক্কদবা এ এফ সী এসিয়ন কপ অদু য়ুম্বু ওইননবা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দ ইন্দোনেসিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগা পুন্না বিদিং তৌখিকবনি। অদুবু ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর থাদা বিদ ৱিথদ্রো তৌখিবগী চাইনানা টুর্নামেন্ট অদু অমত্তা ওইরবা লৈবাক ওইনা য়ুম্বু ওইগদৌরি।

সাউথ কোরিয়ানা কুমজা ২০২৩গী ৱিমেন্স ফিফা ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইগদৌরি। লোয়নন্না কুমজা ২০২৭ এ এফ সী এসিয়ন কপকীসু য়ুম্বু ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা য়াই।

# স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা হোক্কি ইন্দিয়া ওফিসলগা ভিদিও কনফরেন্স তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী): স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না হোক্কি ইন্দিয়াগী ওফিসলশিং অমদি নেসনল টিম কোচশিংগা ঙরাং অথেংবদা ভিদিও কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা টোকিও ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা লৈরিবা থা ১৬ অসিদা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

সাইগী দিরেক্টর জেনরেল ওইরিবা সন্দিপ প্রধাননা অতোপ্পা হোক্কি ইন্দিয়াগী মীহুৎশিংগা ভিদিও কনফরেন্সকী মতেংনা মীফম পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হোক্কি ইন্দিয়াগী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার এলিনা নোর্মেন, একজিক্যুটিব দিরেক্টর আর কে স্রিভাস্তব, হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর দেবিদ জেন লোয়নন্না নুপাগী চীফ কোচ গ্রাহম রিদ অমদি নুপীগী চীফ কোচ সিওর্দ মরিনে য়াওখি।

সাইনা মখা তানা তোঙান-তোঙানবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, হেক কোচশিং অমদি চীফ একজিক্যুটিবশিংগা লোয়নন্না ওলিম্পিক্সকা চান্নবা পোরম কয়া য়াৎননবগী লম্বেল শেমখি। ঙরাংগী মীফম অদুদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চথবা, ইন্দিয়া মনুংদা পাঙথোকপা ষ্ট্রকচরশিং, মীরমদা এক্সপোজর টুর চৎপগী মতাংসু খন্নখি।

ক্যারেন্টাইন মতমদা শান্নরোয়শিংদা পীগদবা ট্রেনিং (ফিজিকেল অমসুং সাইকোলোজিকেল) লোয়নন্না লোকদাউন অসি লৌথোক্ত্রিঙৈগী মনুংদা বোর্দর লাম্থোক্তনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংসু য়াওখি। দিরেক্টর জেনরেল সন্দিপ প্রধাননা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি টিমনা বেঙ্গালুরুগী সাই সেন্টরদা লৈরিবা মরম্না মফম অদুদা কোবিদ-১৯ শন্দোরক্তনবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদুগী মতাংদসু অমুক্কা হন্না খন্ন-নৈনখি।

# শান্নরোয় খুদিংমক প্রোফেস্নেল ওইনা চঙশিনবা মথৌ তারে : বিজয়

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএনএস): শান্নরোয় খুদিংমক্কসু মশান্না খুদিংমক্তা প্রোফেস্নেল ওইনা চঙশিনবা মথৌ তারে হায়না ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিজয়না ফোঙদোরক্লি।



মহাক্না মখা তারদুনা, নেসনল লেভেল অমদি ষ্টেট লেভেলদা লৈরিবা কম্পেনিশিংনা শান্নরোয় কয়াবু য়োকখৎলক্লি। লোয়নন্না অচৌবা ইভেন্টশিংদা লম্বা তৌবা হায়বসি মনি পাৱর অমদি কথোকপগা লোয়নন্না থবক তৌবা চঙই। মণিপুরদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা একাদেমি অমা ওইরিবা ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমিদা মতমগা চুন্না অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্লবগীদমক স্পোন্সর তৌবীনবা মীওইশিংগী মথৌ তাই।

জুদো মশান্নগী একাদেমি অমা ওইরিবা ময়াং ইম্ফাল আই বি রোদতা লৈবা ময়াই লম্বী স্পোর্টস একাদেমি অসি কুমজা ২০০০গী জন্যুৱারীদা রেজিষ্টার বোদি অমা ওইখি। রেজিষ্টার তৌরবা মতুংদা একাদেমি অসিনা ষ্টেট লেভেল কম্পিটিসন কয়াদা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লকখি। লোয়নন্না ইন্টর্নেসনল থাক্তসু মেদল কয়া ফংবসু ঙমখ্রে। একাদেমি অসিদগী আর্জুন এৱার্দি অনী এ অনিতা চনু অমদি কে ঐচ তোম্বী দেবী পুথোকপা ঙমখ্রে। কে ঐচ তোম্বীনা অর্জুন এৱার্দি ফংবতা নত্তনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবসু ঙমখ্রবনি। লোয়নন্না ইন্টর্নেসনল থাক্তা শান্নরোয় ২৫ রোমসু পুথোকপা ঙমখ্রবনি।

পনবা য়াই, একাদেমি অসি হৌদোরকপদা অশুক্কী মতিক ৱানা হোৎনরকই। ষ্টেট লেভেলদা পার্টিসিপেট তৌরমদাইদা গাজিয়ানশিংদগী শেল খাইবা, চেরিটি সো তৌবা, হাউসি তৌবা অমদি অতোপ্পা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা ইনকম জেনরেট তৌদুনা হৌরকখি।

হৌজিক হৌজিক একাদেমি অসিদা শান্নরোয় ১০০ রোম লৈরি। মখোয়শিং অদুদি নেসনল রেফরি এন আই এস দিপ্লোমা সুর্জিৎ মীতৈ, এ সুরচন্দ্র সিংহ নেসনল রেফরি এন আই এস দিপ্লোমা, প্রেমলাতা এন আই এস কোচ, টি অথোইবা মাষ্টর ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন হায়রিবশিং অসিগী মখাদা তাকপীরি। একাদেমি অসিনা শান্নরোয়শিংদগী থাগী ওইনা লুপা ২০০ খক ফী ওইনা লৌরগা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা পুং ৩ চুপ্না শান্নরোয়শিংবু কথোকপগা লোয়নন্না তাকপী তম্বীরি।

হৌজিক একাদেমি অসিদগী হৌখিবা শান্নরোয় কয়া মপানদা লৈদুনা থবক তৌরিবশিং রুপাচন্দ্র, সঞ্জু, ধনাপ্রিয়ারি অমদি সুনিল অমসুং একাদেমি অসিগী প্রসিদেন্ট বিজয়না মখোয়গী ফংবা থাগী তোলোপ্তুগী অঙম্বা মতেং পাঙদুনা একাদেমি অসি চল্লাইবদা মতেং পাঙলি।

বিজয়না মখা তানা ফোঙদোরকপদা, নেসনল অমদি ইন্টর্নেসনল থাক্তা শরুক য়াননবা ট্রায়ল সেলেক্সন লাকপদা রেসিদেন্সিএল ওইনা কোচিং তৌবা মথৌ তারকই। অসিগুম্বা মতমদা শেলগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লুরি। মসিদা শান্নববু নুংশিবীবা মীওইশিংনা স্পোন্সর কয়া তৌবিরবদি শোইদনা ওলিম্পিক অমদি অতৈ অতোপ্পা অচৌবা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াবা ঙমগনি।

হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা জুদো মশান্নদা নুপামচাশিংনা পার্টিসিপেট তৌবগী চাং অসি হন্থরক্লি। মরমদি অয়াম্বা শান্নরোয়শিং অসি লাইরবা ইমুংদগী হৌরকপা ওইবনা প্রোফেস্নেল ওইনা চঙশিনবগী মহুৎতা থবক ফংনবা হোৎনবনা হেন্না লুম্না লৌবদগী পার্টিসিপেট তৌবগী চাং অসি নেম্লিবনি। একাদেমি অসিদা শান্নবদা চঙগদবা পোৎলম খরদি লৈরে। অদুবু হেন্না খুদোংচানবগীদমক হোষ্টেল অমা থম্বা ঙম্লবদি হেন্না মপুং ফাগনি।

চীফ মিনিষ্টরগী মীয়ামগী নুমিৎতা চৎতুনা একাদেমি অসিবু সরকারনা লৌশিনবীনবা হায়জরুবসু লৈরে। মসিদা লৈঙাক্না তাবীদুনা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্লবদি শান্নরোয়শিং অমদি একাদেমি অসি অফবা ওইগনি খল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

# কোবিদ-১৯ লাইচৎ মনুংদা টাজিকিস্তানগী ফুটবোল সিজন হৌখ্রে




দুসানবে, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী): মালেমগী লৈবাক ২০৮দা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা শোকহল্লবা মতুং তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্ট পুম্নমক লেপখ্রবা মনুং অসিদা সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা টাজিকস্তানদা লৈবাক অদুগী দোমেষ্টিক ফুটবোল সিজন ঙরাংদগী হৌখ্রে।

মীওই মিল্লিয়ন ৯ খক লৈবা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনবা অমত্তা লৈত্রি হায়রি। ঙরাং সিজনগী অহৌবা মেচ অদুদা দোমেষ্টিক চেম্পিয়ন এফ সী ইষ্টিকলোলনা এফ সী খুজানবু মায়থীবা পীখি।

মালেমগী ওইনা পুন্না মীওই মিল্লিয়ন ১২ হেন্না লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনখ্রবা মতুং টাজিকস্তানদদি হৌখিবা থাদসু নাওরু ফেষ্টিভেল পাক শন্না পাঙথোকখি। ফেষ্টিভেল অদুদা লৈবাক শীনবা থুংনা মীওই লিশিং কয়া পুন্দুনা শরুক য়ামিন্নখি। লৈবাক অদুগী লুচিংবা ইমোমালি রখমোননা লৈবাক অদুগী চৎনবীগী ফিজোল শেৎল্লবা নুপী নহা কয়াগা লোয়নন্না ফোটো নম্মীনবা য়াওখি। হৌজিক্কী ওইনা মালেমগী লুচিংবশিংনা কোবিদ-১৯ শন্দোকপা থিংননবা হোৎনবদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী খোঙথাং কন্না লৌখৎলিবনি।

টাজিকিস্তান খক্তগা নত্তনা হৌখিবা থাদা বেলারসতসু মখোয়গী ফুটবোল লীগ শান্নবা হৌখি। টাজিকিস্তান সুপর কপকী মেচ অদু মমাঙগী থাদা বেলারসতা পাঙথোকখিবা লীগ টুর্নামেন্ট অদুদা মালেমগী সোসল মিদিয়াগী এটেন্সন ফংখিবা অদুগুম্ন দি ফংখিদে। মেচ অদু খুজাননা হান্না মাংজিল থারম্লবা মতুং ইষ্টিকলোননা পাঞ্জল হন্দোকপদা নত্তনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদুসু চনখি।

# য়ুবরাজ সিংহনা লুপা লাখ ৫০ দোনেট তৌগনি হায়খ্রে, হরবজনন্না ইমুং লিশিং ৫দা মতেং পীগদৌরি





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী হান্না ওল রাউন্দ ওইনা মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় য়ুবরাজ সিংহনা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ থেংননবা লৈঙাক্না হোৎনরিবা অসিদা পি এম কেয়র্স ফন্দদা লুপা লাখ ৫০ মতেং ওইনা কৎলগনি হায়খ্রে। অমরোমদা স্পিনর হরবজনন্না ইমুং লিশিং ৫দা মতেং পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

য়ুবরাজ সিংহনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্দদা ফোঙদোরকখিবদা ঐখোয়না পুন্না হোৎনমিন্নরবদি হেন্না পাঙ্গল লাক্কনি হায়খি। মমাঙদসু য়ুবরাজনা ভিদিও অমদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ শন্দোকপা থিংননবা সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বা অমদি খুৎ শামওং চুম্না হাম্বগী মওং উৎখি। মহাক্না মখা তাখিবদা ক্রিকেট শান্নরিঙৈদা ফিল্ডদা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈজবা পুম্বা পুথোক্তুনা শান্নখি। হৌজিক লৈবাক অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কোরোনাভাইরসকা লান অমা থেংনরিবনি। মসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না য়ুমদা লৈদুনা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং থম্লবা মতুং সেকেন্দ ২০ চংনা খুৎ-শা হাম্বা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ওফ স্পিনর ওইরম্বা হর্বজন সিংহনা মহাক্কী লোয়নবী গীতাগা লোয়নন্না মহাক্কী পোক্লফম জলন্দর সিটিদা লোকদাউনন্না মরম ওইদুনা চানা থক্লবা ফংবদা অৱাবা অমা ওইরবা ইমুং লিশিং ৫দা পীজ পীথক তৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা মখল অমদা নত্রগা অমদা হিংমিন্নরিবা মীওইশিংবু মতেং পাঙগনি হায়খ্রে।

হরবজনন্না মহাক্কী নক্কবা মরুপশিংগা দৌলটপুরি এরিয়াদা লৈবা ইমুং ৫০০দা ড্রাইরেসনশিং লেম্না য়েন্থোকখি। মহাক্না জলন্দরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফ পুলিসতা ৱারী শান্নবা লোইখ্রবা মতুং মহাক্কী ইনষ্ট্রক্সনগী মতুং ইন্না চানবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোক্কনি হায়খি। পেকেটশিং অদুদা চেঙ কিলো ৫, আটা, চানবা থাও লোয়নন্না থোংবদা চংগদবা মচলশিং অদুসু য়াওরি।

# ইষ্ট বেঙ্গলনা ইরানগী ৱিঙ্গর ওমিদ সিংহ চহী ২গী খুৎয়েক পীনখ্রে

কোলকতা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী): হিরো আই লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা কোলকতাগী ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবনা টিম অদুদা ইরান মচা ওমিদ সিংহ চহী ২গী ওইবা খুৎয়েক পীনখ্রে।

ক্লব অসিগী সিনিয়র ওফিসল দেবব্রতা সরকারনা ৱাফম অসি ওফিসল ওইনা ফোঙদোরকপনি। অদুবু শান্নরোয় অসিনা ক্লব অসিগা খুৎয়েক পীনখিবা অসিগী ট্রান্সর ফীদা মীয়ামদা ফোঙদোকখিদে।

লেফ ৱিংগী শান্নরোয় অমা ওইরিবা মশাগী চহী ২৯ শুরবা ওমিদ সিংহ হৌজিক হৌজিক ইরানগী প্রো লীগতা নপত মসজিদ সোলেমান এফ সীদা শরুক য়ারি। ওমিদকী অপোকপা পঞ্জাবতগীনি। লোয়নন্না ওমিদ মশামক ইন্দিয়ন পাসপোর্ট পায়রি।

হৌখিবা চহীদা ওমিদ সিংহনা মহাক্কী ইরানগী পাসপোর্ট অদু সরেন্দর তৌরগা ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা শান্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখিবা অদুনা ইন্দিয়ন ফুটবোলদা অনৌবা পাউ ওইনখি। ইন্দিয়াগী ফুটবোল কোচ আইগোর ষ্টিমেকনসু ওমিদ সিংহবুসু ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রবনি।


ওমিদনা ফোঙদোকখিবদা মহাক ইরানগী নেসনল টিমদা য়াওনিংবনি। অদুবু মহাক সেলেক্সনদা য়াওরকখিদে। ইন্দিয়াগী কোচ ষ্টিমেকনা মঙোনদা ফোন তৌরকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী টিমদা শান্নবদা অয়াবা পীখি হায়রি।

# কর্ফিয়ুগী ওর্দর ইনখিদবা সভিয়াগী ফুটবোল্লর ময়ুমদগী থা ৩ হেন্দোকপা য়াররোই

বেলগ্রেদ, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী): সর্ভিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয় অলেকজেন্দর প্রিজোবিস লৈবাক অদুদা চল্লাইবা কর্ফিয়ুগী মায়োক্তা য়ুমদগী হেন্দোক্লুবগীদমক থা ৩ য়ুমদগী মপান থোকপা য়াবগী ওদর থোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা প্রিজোবিস হৌজিক হৌজিক সাউদি অরাবিয়াগী ক্লব অল ইতিহাদতা শান্নরিবনি। প্রিজোবিস অমসুং অতোপ্পা মীওই ১৯ ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা বেলগ্রেদতা লৈবা হোটেলগী লোবিবারদা পার্টি তৌরুবগীদমক পুলিসনা ফাখিবনি। সর্ভিয়াদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা নুংথিল পুং ৫দগীনা অয়ুক্কী পুং ৫ ফাওবা লোকদাউনগী ওর্দর চল্লাইরিবনি। মহাক থারগা সর্ভিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মরক্তা কার্ফিয়ুগী ওর্দর ইন্দবগীদমক ফাখিবা অনীশুবনি। অতোপ্পা অদুনা রিএল মাদ্রিদকী ষ্টাইকর লুকাস জোবিসনি।

# বর্সেলোনা অমসুং স্পেনগী ষ্টার ফুটবোল্লর জাবি অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনা য়ুরো মিল্লিয়ন ১ দোনেট তৌখ্রে



মাদ্রিদ, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী): হান্না মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনা এফ সী অমদি স্পেনগী নেসনল টিমদা ষ্টার ফুটবোল্লর অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবা জাবি হর্নান্দেজনা মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়নন্না মাদ্রিদকী সিটি হোস্পিটাল ক্লিনিক্তা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লান্থেংননবা য়ুরো মিল্লিয়ন ১ (য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১.০৮) দোনেট তৌখ্রে।

ঙরাং হোস্পিটাল অদুগী ত্বিটর একাউন্টদা ফোঙদোরকখিবদা জাবি হর্নান্দেজ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী নুরিয়া পুনিলেরানা য়ুরো মিল্লিয়ন ১ হোস্পিটাল অদুনা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লান্থেংনবা হোৎনবদা কৎলমখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না ঐখোয় পুম্নমক্না লান্থেংনদুনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

জাবিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্দদা থাদোরকখিবা ভিদিও পোষ্টঅমদা নুরিয়া অমসুং মহাক্না সিটি হোস্পিটাল ক্লিনিক অদুনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি লান্থেংনবা হোৎনরিবা অসিদা সপোর্ট তৌই। লোয়নন্না হোস্পিটাল অদুনা অনাবশিং অমদি হেল্থ কেয়র প্রোফেস্নেলশিংনা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং পীরকপশিং অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা স্পেনদা লায়না অসিনা মীওই লিশিং ১২ রোম শীহনখ্রে। লোয়নন্না মীওই ১,৩০,৭৫৯ শোকহনখ্রবনি। অদুগা ৩৮,০৮০ লায়না অসিদগী কনবা ঙমখ্রে।

জাবি ফর্নান্দেজ স্পেনন্না ফিফা ৱর্ল্ড কপ টাইটল অনীরক লৌবদা শরুক য়াবা ঙমখিবা শান্নরোয়নি। লোয়নন্না য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ টাইটল অনীরক ফংখিবদসু শরুক য়াখি। হৌজিক হৌজিক মহাক কটারগী ক্লব অল সাদকী কোচ ওইনা থবক পুরি। জন্যুৱারী থাদা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী কোচ ওইননবা লাকখিবা অপিল অদুসু মহাক্না লৌখিদবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com